# স্পোর্টস মিনিষ্টর রিজিজুনা সী এম বিরেনদা দিঙ্কুগী মতেং পাঙনবা হায়খ্রে, এয়র এম্বুলেন্সতা দিল্লি পাংলগনি





ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনদা মমাঙদা মমিং লৈরম্বা বোক্সর অমা ওইরম্বা ঙাঙোম দিঙ্কুগী অনা লায়েং মতেং পাংনবা হায়রকখ্রে। এয়র এম্বুলেন্সকী খুথাংদা ন্যু দিল্লি পাংগদৌরি।

কুমজা ১৯৯৮কী বেঙ্কোক এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়ানা মতম শাংনা বোক্সিংগী লমদা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদল ফংলুদ্রবা মতুং ঙাঙোম দিঙ্কুনা কিলোগ্রাম ৫৪ (বেন্টমৱেথ)দা গোল্ড মেদল ফংখি। দিঙ্কুনা কুমজা ১৯৯৮ বেঙ্কোক এসিয়ন গেমস অদুগী সেমিফাইনেলদা য়ুম্বু থাইলেন্দগী বোক্সর মতম অদুদা ৱার্ল্ড নম্বর ৩ ওইখিবা ৱোং প্রাগেস সোন্তায়াবু মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী বোক্সিংবু চিংখৎপা হৌখি।

এসিয়ন গেমস অদুগী ফাইনেল য়ৌরবা মতুং ঙাঙোম দিঙ্কুনা উজ বেকিস্তানগী বোক্সর তিমুর তুলয়াকোব, মতম অদুগী ৱর্ল্ড নম্বর ৫বু রাউন্দ ৪দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। চহী অদুমক্তদা ঙাঙোম দিঙ্কুবু ইন্দিয়াগী শান্নবগী লমদা পীবা থাক ৱাংলবা মনা আর্জুন এৱার্দ পীখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৩দা পদ্মশ্রি মনাসু পীখি।

স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী কোচ অমা ওইনা ইন্দিয়ন নেভিগী থবক লোইরবা মতুং থৌ পুরকখিবা দিঙ্কু লিভর কেন্সর নাদুনা লৈরকপনি।

ঙরাং দিঙ্কুনা হৌজিক লৈবাক শীনবা থুনং কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা থম্লিবা লোকদাউনগী মনুং অসিদা দিল্লিদা রেদিএসন থেরাপি তৌবা চৎননবা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা মতেং পাংবীনবা হায়জখিবনি। মদুগী মতুং স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেনগা ৱারী শান্নদুনা দিঙ্কুদা পীবা য়াবা মতেং পীনবা হায়রকখি।

দোক্তরশিংনা পীরকপা এদভাইসকী মতুং ইন্না দিঙ্কুনা মহাক্কী রেদিএসন থেরাপি অদু দিল্লি খক্তা তৌবা য়াবা মরম্না মফম অদু য়ৌননবা মখাগী লম্বেলদা চৎননবা হোৎনরকপদা দোক্তরশিংনা খোঙথাং অদু হান্নগী ফিভমদগী হেন্না শোকচিনগনি হায়না ফোঙদোরকপদগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা মতেং নীরকপনি।

লোকদাউননা মরম ওইদুনা ফ্লাইটকী সার্ভিস লৈতবনা অমুক্কা হেন্না অৱাবা অদু লৈরকপনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা স্পাইস জেটকী চেয়রমেন অমসুং মেনেজিং দিরেক্টরসু ওইরিবা অজয় সিংহনা দিঙ্কুবু এয়র এম্বুলেন্স অমগী খুথাংদা ইম্ফালদগী ন্যু দিল্লি য়ৌননবা থবক শীল্লে হায়না ফেদরেসন অসিগী সেক্রেটরী জেনরেল জয় কোলিনা ফোঙদোকখি।

কোলিনা মখা তানা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোকখিবদা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অজয়না স্পাইস জেটগী চীফ দিরেক্টরদা দিঙ্কুবু অথুবা মতমদা এয়র এম্বুলেন্সকী খুথাংদা ইম্ফালদগী ন্যু দিল্লিদা পুরক্লবা থবক থৌরমশিং অদু পায়খৎননবা খঙহনখি।

# লোকদাউন মনুংদা ইশা ইশাগী তঙাইফদবা লমদা ফগৎননবা শান্নরোয় পুম্নমক্কা হোৎনরি : সুসিলা



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইদুনা মালেমগী লৈবাক শীনবা থুংনা শান্নবগী লমদা লোকদাউননা মরম ওইরগা দিসিপ্লিন খুদিংগী শান্নরোয়শিং ইভেন্ট অমত্তা শরুক য়াবা ঙমদনা লৈরিঙৈ ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমগী মিদ ফিল্ডর পুখ্রম্বম সুসিলা চনুনা ফোঙদোকখিবদা শান্নরোয়শিং অদুনা সাইগী সেন টরদা লৈদুনা মখোয় মখোয়গী অৱাৎপা অমদি অশোনবা মফমশিং অদু হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

কর্নাটকাগী বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমগী কোর মেম্বর ২৪না ষ্টেসন তৌদুনা অতোপ্পা মফমদা হায়দোক্তুনা আইসোলেসনদা লৈদুনা ইন্দিভিজুএলগী ওইবা ফিটনেসকী ট্রেনিং অমসুং ৱার্কআউটশিং তৌরি।

কুমজা ২০১৬কী রিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইখিবী পুখ্রম্বম সুসিলা চনুনা ফোঙদোরকখিবদা ফিল্ডদা থোক্তুনা মশান্না অদুগী ট্রেনিং পাঙথোকপা য়াদ্রবসু টিম অদুনা অতোপ্পা অরিংবা টিমশিংগা শান্নখিবা ভিদিওশিং য়েংলবা মতুং করম্বা মফমদা অশোইবা অমদি অশোনবা লৈখিবগে হায়বদু য়েংদুনা হায়রিবা অৱাৎপশিং অদু মেনশিন্ননবা নৈনরি। হিরম অসিগী মতাংদা সোফটৱেয়র অমা শীজিন্নদুনা হান্না লৈরম্বা মশান্না অদুগী হেন্না ফগৎননবা মতম শীজিন্নরি হায়রি।

নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমনা ক্বালিফাই ওইরকপা অদু লৈবাক অসিগী নুপীগী হোক্কিগী পুৱারীদা চহী ৩৬কী মতুংদা ফংলকখিবনি। অদুবু হায়রিবা ওলিম্পিক গেম অদুদা ইন্দিয়াগী টিম অদু গ্রুপ লীগতা খ্বাইদগী মমৈদা লৈহৌদুনা পর্ফোমেন্স ফজবা ঙমখিদে।

কুমজা ২০১৮গী স্পেনদা চৎখিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টুর অদুদা পুখ্রম্বম সুসিলা চনুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমগী মহুৎ শীন্দুনা ইন্টর্নেসনল মেচ ১৫০রক শুবা শান্নবা ঙমখি। সুসিলা চনুগী করিয়রদা কুমজা ২০১৩দা জর্মনিগী মোনচেনগ্লবাকতা পাঙথোকখিবা জুনিয়র ৱিমেন্স হোক্কি ৱর্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

থংনবা চহীদা সুসিলা ইন্দিয়াগী সিনিয়র হোক্কি টিমদা শরুক য়াদুনা বেলজিয়মদা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১৪-১৫ ৱিমেন্স এফ আই ঐচ হোক্কি ৱর্ল্ড লীগতা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা রিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইরবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমনা অকনবা মওংদা শেম শারিঙৈ কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী ১ য়ৈথোকখিবা অমদি ইন্দিয়াদা লোকদাউন লৈরকপনা হান্না লৈরকপা শান্নবগী মোমেন্টম অদু হন্থখিবদা নুংঙাইতবা ফাওখি।

সুসিলনা মখা তাখিবদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমগী সাইন্টফিক এদভাইজর ৱেন লোম্বার্দনা শান্নরোয়শিংগী অকক্লবা ৱার্কআউট চার্ট অমগী মতুং ইন্না ট্রেনিং চথরি।

হৌখিবা চয়োলদা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিমনা ফন্দ ফিটনেস চেলেঞ্জ অমা শীন্দুনা মাইগ্রেন্ট লেবররশিং অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংদা মতেং ওইননবা ফন্দ খোমগৎপা হৌখি। শুপ্নগী নুমিৎ মরিনিদা লুপা ৭,০০,০০০ খোমগৎতুনা মীওই ১০০০ লোকদাউননা চৈথেং পীবা অদুদা মতেং পাংনবা হোৎনরি হায়খি।

# চাইনিজ ফুটবোল এসোসিএসননা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা তোলোপকী চাদা ৩০ কক্লবা হায়খ্রে



সাংহাই, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী):
চাইনিজ ফুটবোল এসোসিএসননা লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ ওইরিবা চাইনিজ সুপর লীগ অমদি মদুগী মখা তাবদা লৈরিবা দিভিজন অনীগী শান্নরোয়শিং অমদি কোচশিংগী থাগী তোলোপ চাদা ৩০ কক্তুনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লান্থেংনবা মতেং ওইনবা খোঙথাং লৌখৎখ্রে।

চাইনাদা নুংতিগী ফোঙবা পাউচে অমদা চাইনিজ ফুটবোল এসোসিএসননা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি চাইনিজ সুপর লীগ অমদি মখা তাবা দিভিজন অনীগী টিমশিংগী মায়কৈদগী পাউখুম ঙাইরি।

চাইনিজ সুপর লীগ সিজন অসি চহীসিগী ফেব্রুৱারী ২২দগী হৌগনি হায়না তৌরম্বনি। অদুবু লৈবাক অদুগী ৱুহান সিটিদগী দিসেম্বর থাদগী শন্দোরকখিবা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম কক্তুনা য়ৈথোকখিবনি। পাউচে অদুদা পীরকপা রিপোর্টকী মতুং ইন্না চাইনিজ ফুটবোল এসোসিএসননা তোলোপ কক্কদৌরিবা শান্নরোয়শিং অমদি ষ্টাফশিংগী মনুংদা য়ুথ প্লেয়রশিং অমদি তোলোপ য়ামদনা ফংবা শীন্মীশিংগীদি য়াওদে হায়রি।

চাইনিজ সুপর লীগকী টিম অমা ওইরিবা সাংহাই এস আই পি জিগী শান্নরোয় ব্রাজিল মচা ওস্কার মালেমগী শেল য়াম্না ফংবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা চহী অমদা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ২৭ ফংলিবা শান্নরোয় অমনি।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মায়কৈদগীসু লায়না-লাইচৎ অসি মখোয় মখোয়গী লৈবাক্তা লন্থেংনবা হোৎনবদা মতেং ওইনবা শেলগী মতেং চাওনা পাংখিবা অমদি তোলোপ ককপগী থবক থৌরমশিং লৌখৎখ্রবনি।

# ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াগা মেচ ৫গী টেষ্ট সেরিজ শান্ননবা পান্দম থম্লি

ব্রিজবেন, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী চৈথেং লান্থোক্লবা মতুং মাংখিবা মতম ফুগৎনবগীদমক্তা ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়ানা লৈবাক অদুদা ইন্দিয়াবু য়ুম্বু ওইরগা মেচ ৫গী টেষ্ট সেরিজ পাঙথোক্লনবা পান্দম থম্লি।

ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী চীফ একজিক্যুটিব ওইরিবা কেবিন রোবর্টসনা ফোঙদোকখিবদা মশান্না অসিগী মায়কৈদগী শেল য়াম্না লাক্কদৌরিবা সেরিজ অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগা শান্নগদবা অদু চহী অসিগী দিসেম্বর থা অমদি মথং চহীগী জন্যুৱারী থাদা ষ্টেদিয়ম অমত্তদা মেচশিং অদু শান্ননবা খোঙথাং পায়খৎলি।

নাকল অমরোমদা লৈবাক অদুনা চহীসিগী ওক্টোবর ১৮দগী নবেম্বর ১৮ ফাওবা য়ুম্বু ওইগনি হায়না তৌরিবা ২০২০ ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপসু য়ৈথোক্তবিদা পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনরি।

রোবর্টসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্টর্নেসনল থাক্তা পাঙথোকপা সেরিজ নত্রগা টুর্নামেন্টশিং য়ৈথোকপা নত্রগা তোকপা মতমদা চাওরবা শেনফম অমা মাংবগী ফিভম লাকপনা য়ারিবমখৈ কুমজা ২০২০-২১গী সিজন অসি লোইদ্রিঙৈদা মতম খরা চোন্থরবসু ইভেন্টশিং অদু পাঙথোক্লবা হোৎনবনি হায়খি।

# য়ুরো ২০২০গী প্লেওফশিং ওক্টোবর নত্রগা দিসেম্বরদা শান্নবা য়ারি

পেরিস, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী):
য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিএসন (য়ু ই এফ এ)গী ভাইস প্রসিদেন্ট সান্দর সানয়িনা ফোঙদোকখিবদা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী হাংলিবা মপম মরিগীদমক্তা শান্নগদবা প্লেওফশিং য়ৈথোকখিবা অদু চহীসিগী ওক্টোবর নত্রগা নম্বের থাদা পাঙথোকপা য়ানা লৈরি।

য়ুরো ২০২০ চহী অমা য়ৈথোকখ্রবনি। অদুবু টিম ১৬কী টুর্নামেন্ট অসিগী টিম ৪ ক্বালিফাই ওইগদবা ৱালিবা অদু প্লেওফ শান্নগদবনি।

# সাউথ কোরিয়াগী কে-লীগনা কোভিদ-১৯গী অকিবা হন্থরকপদগী প্রেক্টিস মেচশিং য়াহনখ্রে



সিওল, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী):
সাউথ কোরিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংনা ভাবোক চঙহন্দবা মফমশিংদা ঙসিদগী হৌরগা প্রেক্টিস মেচশিং শান্নহনবা য়াখ্রে হায়না কে লীগকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লৈবাক অদুদা কে লীগকী সিজন কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা থা ২ থেংথখ্রবনি। লৈবাক অদুগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চাইনাগী মতুংদা লাইচৎ অসিনা চাওনা শোকহনখিবা লৈবাক অমা ওইরবসু 'ট্রেস, টেষ্ট অমসুং ট্রিট' প্রোগ্রামগী অকনবা মতেংনা লৈবাক অদুদা লায়না-লাইচৎ অদু লাকশিনবা ঙম্লে হায়না লৌই।

শান্নবগী ওইনা মালেমদা লৈরিবা ভাবোকশিংনা লাইভ মেটচশিং লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা য়েংবা ফংদবা মতম কুইশিল্লক্লবনি। লোয়ননা ফুটবোল মশান্না খক্তা নত্তনা অতোপ্পা দিসিপ্লিনশিংগী ওইনসু হান্না পাঙথোকপগী লৈরম্বা মতমশিং অদু য়ৈথরকপা মরম্না শেল য়াম্না মাঙবগী ফিভম অমা লাক্লি।

কোরিয়ন প্রোফেস্নেল ফুটবোল লীগনা ঙরাং অথেংবদা ফোঙদোরকপদা লীগ অসিগী মখাদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ক্লবশিংনা ঙসিদগী হৌরগা টিম মশেল প্রেক্টিস মেচ শান্নহনবা য়াখি। অদুবু পোইন্ট লৈগদবা গেমশিংদি করম্বা মতমদগী হৌগদগে হায়বগী মতাংদা অকক্লবা মতম অমা পীদ্রি। মথং থাগী ময়াই চনশিল্লকপদা মেচ শান্নবা হৌবা য়াবগী পান্দম থম্লি।

# ৱর্ল্ড নম্বর ৱান মেগনস কার্লসননা ইরানগী আলিরিজা ফিরোজাবু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীবা পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী):
মালেম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা শান্নবগী লমদা অচৌবা চৈথেং পীরিঙৈ ওনলাইনগী খুথাংদা নোৱেগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান চেছ শান্নরোয় মেগনস কার্লসননা মহাক্কী মমিংদা পাঙথোকপা ইনভাইটেস্নেল চেছ টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দদা ইরানগী নহা ওইনা মমিং লৈরক্লিবা চহী ১৬তা ঙাইরিবা অলিরিজা ফিরোজাবু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীবা পীখ্রে।





মালেমগী মকোক থোংবা শান্নরোয় ৮না শরুক য়ারিবা ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অদুগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ২শুবা রাউন্দগী মেচতা মেগনস কার্লসন অমসুং অলিরিজা ফিরোজাগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদু অঙৌবা মচু পায়দুনা কার্লসননা ফিরোজাবু থোইখি। অনীশুবা গেমদা অলিরিজনা থোইরবা মতুং অহুমশুবা গেম অদুসু কার্লসননা মায় পাক্লগা মরিশুবা গেম অদু দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ২.৫-১.৫তা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নরোয় ৮না দবল রাউন্দ রোবিন মেচ শান্নবনি। শান্নরোয়শিংনা মেচ অমদা রেপিদ গেম ৪ লম্বা তৌনৈ। করিগুম্বা লম্বা তৌনরিবা শান্নরোয় ২না পোইন্ট ২/২ ফংনদুনা মান্নরবদি অর্মাগেদন ফোর্মেটতা মায় পাকপা শান্নরোয় অদু খনবগী চৎনা পথাপ লৈরি।

নীংশিংবা য়াবদি, থা অসিগী ১৬তা পাঙথোকখিবা ওনলাইনগী ওইবা টুর্নামেন্ট বান্টর ব্লিটজ কপ চেছ টুর্নামেন্টতা মশাগী চহী ১৬তা ঙাইরিবা ইরানগী আলিরিজা ফিরোজনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান মেগনস কার্লসনবু ফাইনেল মেচতা পোইন্ট ৮.৫-৭.৫তা মায়থীবা পীরমখিবনি। হায়রিবা টাইটল মেচ অদুগী মতুং ঙরাংগী ওনলাইন ইনভাইটেস্নেল চেছ টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অদু মখোয় অনীনা লম্বা তৌনবদা মীয়ামগী অহেনবা খৌরাংবা লৈখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা য়ু এস এগী গ্রান্দ মাষ্টর হিকারু নকামুরানা নেদর্লেন্দসকী গ্রান্দ মাষ্টর অনিস গিরিবু পোইন্ট ২.৫-১.৫তা মায়থীবা পীখি।

রাউন্দ অনী লোইশিল্লকপদা শান্নরোয় ৮গী টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা য়ু এস দোল্লর ২৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট শিল্লিবা নোৱেগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান মেগনস কার্লসননা পোইন্ট ৫ অদুগা য়ু এস এগী হিকারু নকামুরানা পোইন্ট ৪ ফংলগা অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

# রিএল কাশ্মির ফুটবোল ক্লবনা স্রিনগর এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং আর্মিদা পি পি ই, মাক্স অমসুং গ্লোবশিং মতেং পাংখ্রে



স্রিনগর, এপ্রিল ২১ (এজেন্সী):
হিরো আই লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ক্লব রিএল কাশ্মির এফ সীনা ষ্টেট অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ লান্থেংবদা মাংজিল থারিবশিংগী মতেং ওইননবা স্রিনগর এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং আর্মিদা পি পি ই, মাক্স অমসুং গ্লোবশিং মতেং পীখ্রে।

রিএল কাশ্মির এফ সীগী মপু অমা ওইরিবা সন্দিপ সাতুনা ঙরাং স্রিনগরগী দেপ্যুতি কম্মিস্নার সায়িদ ইগবাল চৌধরিদা পি পি কিট ১৫০ গ্লোব ৩,০০০ অমসুং সর্জিকেল মাক্স ১৫,০০০ খুৎশিন্নখিবনি। স্রিনগর দিষ্ট্রিক্টতা মমাঙ থাগী ১৮দা কোভিদ-১৯ পোজিটিব ওইবা কেস অমা অহানবা ওইনা থেংনখিবনি।

রিএল কাশ্মির এফ সীগী সন্দিপ সাতুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দি সী সায়িদ ইগবাল চৌধরিবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মফম অদুদা মহাক অমদি মহাক্কী টিমনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অদুবু মখা তানা শন্দোরক্তনবা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

সন্দিপ সাতুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ক্লব অদুগী মায়কৈদগী পীরিবা মতেং অসি য়ামদ্রবসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অদুনা লৌখৎলিবা থবক থৌরমশিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপা ওইনা খুদোল তমখিবনি। লায়না-লাইচৎ অসিনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা চৈথেং পীদুনা লাক্লিঙৈ মখা তানা শন্দোরক্তনবা অমদি নারবশিংবু ফননবা হোৎনবদা মাংজিল থারিবা হেল্থ ৱার্করশিং মরু ওইনা দোক্তর, নর্স অমদি অতোপ্পা হেল্থ ৱার্করশিংনা মথ্বাই খুবাক্তা হাপ্তুনা লেপ্তুনা চঙশিল্লিবা থবকশিং অদু থাগৎফম থোকই।

ক্লব অসিগী মপু সন্দিপ সাতুনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা পীখিবা মতেং অদুগী মাংওইননা বি বি কেন্টনমেন্টতা লৈবা ৯২ বেজ হোস্পিটালদা আর্মিনা শীজিন্ননবা পি পি কিট ১৫০ অমসুং সর্জিকেল মাক্স ১০,০০০সু পীখি। আর্মিগী হোস্পিটালশিং অদুনা ওফিসারশিং, জৱান অমদি ১৫ কোরদা বেজ তৌবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী হকশেল য়েংশিন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইননবনি হায়খি।

১৫ কোরগী জি ও সি লেফটনেট জেনরেল বি এস রাজুনা সন্দিপ সাতুগী মায়কৈদগী পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অদুনা মীচম মীয়াম, আর্মি অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সকী মরক্তা অচেৎপা মরী অমা লৈনহন্নবগী অচৌবা খুদম অমা পীরে হায়খি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com